**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-08.2024)**

**এসেমব্লি (এল)ঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে-মনিপুরদা লৈরিবা অরিবা এদেদ কলেজশিং সরকারনা লৌশিন্নবা হৌজিমক্কী ওইনা থৌরাং লৈত্রি।

মনিপুরগী অরিবা কলেজ অমা ওইরিবা কুম্বী কলেজ সরকারনা মপুং ফাবা কলেজ অমা ওইনা লৌশিনবা য়াব্রা হায়না বি.জে.পিগী এস. প্রেমচন্দ্র সিংহনা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শিক্ষা মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক সরকারনা লৌশিনদ্রিবা এদেদ কলেজ ১৭ লৈ। অদুবু, মনিপুর এদুকেসন কোড-১৯৮২ শেমদোক শেমজিন তৌগদবা লৈবনা হৌজিমক্কী ওইনা কলেজশিং লৌশিন্নবগী থৌরাং তৌদবনি। কোড অসি শেমদোক শেমজিন তৌরগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নগনি হায়না ফোংদোকখি।

মনিপুর এদুকেসন কোড অসি শেমদোক শেমজিন তৌরবা মতুংদা খ্বাইদগী লীরবা এদেদ কলেজশিং-কুম্বী কলেজ, প্রভাপতি কলেজ, নাউরেম বিহারি, মঙ্গোলঙানবী কলেজনচিংবা লৌশিন্নবগী থৌরাং তৌরি।

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে-মনিপুরগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মখাদা পুন্না স্কুল ৯৭৭ লৈরি।

বি.জে.পিগী কে. লৈসিওনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-স্কুলশিং অসিগী অহাংবা ফম ৭৫০ লৌনবা সরকারগী থৌরাং লৈরে। এ.দি.সি. অমমমদা অহাংবা পোষ্ট ১২৫-১২৫ হাপবা সরকারনা থৌরাং তৌরি।

স্কুলশিং অসিগী টিচিং অমসুং নোন-টিচিং ষ্টাফশিং মশা মশাগী পোষ্টিংদা য়ামদ্রবদা চহি অহুমদগী তাদনা লৈগদবনি। কনাগুম্বশিংনা মহুৎ শিলহনবা য়াদনবা এ.দি.সিশিংগী মীহুৎশিংনা কমিতি অমা শেল্লগা ষ্টাফশিং অদু চহি অহুমদগী তাদনা লৈহন্নবা অমদি মহুৎ শিনবা য়াহন্দনবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। স্কুলশিং অসিগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা এ.দি.সিগী মীহুৎশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**ঙা (এল)ঃ** ফিজরিজ মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে-হাউতাক্তা লৈরিবা রিজনেল পেংবা ফিস সিদ ফার্ম হৌখিবা চহি মঙাদগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎতুনা লাক্লি।

মনিপুর বিধান সভাদা ঙসি বি.জে.পিগী সনশম প্রেমচন্দ্র সিংহনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফিসরিজ মন্ত্রিনা হায়-ঙা য়োকপা ফার্মরশিংগী চাউখৎ থৌরাং কয়াসু লেপ্তুনা পায়খৎলি।

**বিরোধি (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী জিরো অৱার মতমদা বিরোধি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হৌজিক মনিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা বিরোধিনা থাংগৎপা প্রাইবেট মেম্বর রিজোলুসন অমা লৌবীদে হায়না পেন্দবা ফোংদোকখি। তুংদা, মহাকা লুচিংদুনা বিরোধি সদস্য মঙা সভাদগী মপানদা থোকখি। সভাদা বিরোধি সদস্যশিং লৈতবদগী ঙসি বজেট দিমান্দশিং অদু করিগুম্বা অমত্তা খন্নবা তৌদনা পাস তৌখি।

তুংদা, পাউমীশিংগা উন্নবদা বিরোধি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়-

হৌজিক চথুরিবা বিধান সভাগী মীফমদা মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা ৱাফম খন্নসি হায়না সভাদা পুখৎখি। থা ১৫ শুজিল্লক্লবা মনিপুরগী ইরাং অসি লোয়শিন্নবা সভানা করিগুম্বা ৱারেপ অমা লৌদুনা হীরম অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি উন্ননবা হোৎনমীন্নবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। মসিদা দলগী খেৎনবা থমদনা ঐখোয় খুদিংমকা থৌদাং লৌমীন্নবা চংই হায়বা ৱাফম পুখৎখি। হীরম অসি খন্ননবা প্রাইবেট মেম্বর রিজোলুসন অমা পুখৎপদা লৌবিয়ু য়াদবা হায়বসি য়ামা লাইবক থিবনি। ফিভম অসি লাকপদগী বিরোধি কংগ্রেসনা মীফম অসি য়াওদনবা সভাদগী মপান থোকপগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

**বিরেন (এল)ঃ** শেল থুমগী থৌরমসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা 'দা মনিপুর গুদস এন্দ সার্ভির্সেস' (সভেন্থ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৪ পুথোকখ্রে।

লো অমসুং লেজিসলেটিব এফিয়ার্সকী মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমার সিংহনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা দা নেসনেল লো য়ুনিভরসিতি, মনিপুর বিল ২০২৪ সু পুথোকখি।

**বজেট (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভানা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগ তরেৎকী লুপা কোতি লিশিং ৩,৪৪৮ লাখ ২৯ লিশিং ২৯ গী শেনফম পাস তৌখ্রে। বিভাগশিং অদুদি-লেন্দ রিছোর্সেস, ফাইনান্স, ষ্টেট এক্সাইজ, সেলস টেক্স, আর্ট এন্দ কলচর, টুরিজম অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিনি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ তাবীরিবা পাউ অসি লোয়বগা মণিপুর বিধান সভাগী ঙসি চথখিবা মীফমগী মতাংদা বিধান সভাগী পাউদম তাবা ফংবীগনি। মসি হেক লোইবগা জিলাগী চিঠি শন্দোক্কনি।**

**প্রোটেষ্ট (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাদা পাউচে নমবা চে অমসুং অতৈ মরী লৈনবা পোৎলম কয়া মৈ থাখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং ইদিটরস গিল্ড মণিপুর (ই.জি.এম) না শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। শিন্থা লেপ্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখিবা অদুনা মরম ওইরগা হয়েং পাউচে পুথোক্লরোই হায়রি।

**অন্দোলন (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ভারত থাদোকউ অন্দোলনগী ৮২ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহ অমসুং গাইখাঙমনা লুচিংদুনা দলগী অতৈ লুচিংবশিং অমসুং কর্মিশিংনা রাস্ত্রাপিতা মহাত্মা গান্ধি অমসুং অন্দোলন অসিগী লুচিংবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইবোবীনা হায়-মহাত্মা গান্ধিগী হিংশা য়াওদবা অহিংশাগী অন্দলোনদা বৃটিশ থক থক নিক্লুনা খাঙখি। মতম অদুদা মহাত্মা গান্ধিনা লুচিংদুনা চৎখিবা হিংশা য়াওদবা খোঙচৎতা বৃটিশ খাঙবা ঙমখিদে। মখা তানা মখোয়গী লোইলম লৈঙাক কুইথনা থম্বা চুল্লরোই খনবদগী বৃটিশনা ভারত থাদোক্লুনা চৎখি। মহাত্মা গান্ধিগী থৌওং অদুবু ঙসিসু মালেমগী লৈবাক কয়ানা ইকায় খুমরি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়ুনাইটেদ কলেজগী মনিংদা চেনবা চকপি তুরেলদা তাশিনখিবা মীওই অদু ঙসি অয়ুক শিনা ফংলে। মীওই অদু থা অসিগী ৭ কী নুংথিল পুং অনিরোম তাবদা তুরেল অসিদা তাশিনখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকপনি।

ঐখোয়গী চান্দেল পাউমীনা হায়-লৈখিদ্রবা মীওই অদু মশাগী চহি ২৪

রোম শুরে। মহাক সেনাপতি জিলাগী কৈবী ভিলেজতগীনি। হৌজিকনা চাফে দলদা লৈবনি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী তমেংলোং হেদক্বাটরসকী তৌসেম সব-দিভিজনদগী কাইফুন্দাই ফাওবগী লম্বী ফাওনদ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লেপ্তুনা নোং চুবা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অমদি লৈনাং চেন্থরকপদগী লম্বী অসি ফাওনবা ঙমদবনি। অদুমওইনমক, কন্সত্রক্সন কম্পানিনা হৌখিবা নুমিৎ ১২ নি অসিদা লম্বীদা চেন্থরকপা লৈবাকশিং তকথোকবা হোৎনরি। অদুবু লেপ্তুনা নোং তাবনা মরম ওইদুনা থবক মঙম শানবা ঙমদ্রি হায়রি। মসিনা মরম ওইদুনা লম্বী অসি ফাওদুনা চৎলিবা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়রি।

**নোনে (এল)ঃ** রাজ্যগী রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্টকী দিরেক্তরনা লুচিংবা এক্সপার্ট কমিতিগী মীহুৎশিংনা হন্দক্তা চিং নিংখায়বা অমসুং লৈনাং চেন্থরকপদগী নোনে জিলাগী য়ুম ৮ অমাং অতা থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অদুনা মদুগী অকুপ্পা রিপোর্ট নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা সরকারদা পীখৎকনি হায়রি।

**তিরঙ্গা (এল)ঃ** হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা তিরঙ্গা যাত্রা, তিরঙ্গা প্লেজ অমদি তিরঙ্গা কনভজ, থা অসিগী ১২ দা স্তার স্পোর্টিং গ্রাউন্দ পোরোম্পাৎকী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী হৌরগা দি.সি. কমপ্লেক্স ফাওবা চৎকনি হায়রি। মীয়ামদা লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন চেলহন্নবগী শরুক অমা ওইনা যাত্রা অসি পাঙথোক্কদবনি।

কেম্পেইন অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক

থোংবা ওফিসিএলশিং, কম্যুনিতি লিদরশিং, সি.এস.ওশিং শরুক য়াবীনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা আপিল তৌরি।

কেম্পেইন অসি সেনাপতি জিলাদগী হৌখ্রে। কেম্পেইন অদু সেনাপতি জিলাগী এস্ত্রো তব গ্রাউন্দগী হৌখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা ফ্রিদম ফাইটরশিং অমসুং অথৌবশিংনা লৈবাক অসিগী কৎথোকপা অমদি মাংলোমদা চংশিনখিবা কয়া অদু নীংশিংখি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ৩০ শুবা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ৱার্ল্ডস ইন্দিজিনস পিপলসকী পালন থৌরম উখ্রুল জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু জিলা অদুগী পি.এল.এল. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট-হুংয়ো হঙ য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা য়েলহৌমী কনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি অমদি য়েলহৌমীশিংগী ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম কয়াসু উৎখি।

থৌরম অসি থৌবাল জিলাগী থোঙাম চাউবা মল্টি পরপজ হোলদা পিছ এন্দ ফ্রিদম একাডমী-থৌবাল হাউখা অমদি নেচরেল এন্দ হ্যুমেন রিছোর্স ইনোভেসন সোসাইতি-মনিপুর, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসি, এল.এম.এস. লো কলেজ এল্যুমনাই এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকখি।

**আশা (এল)ঃ** আশা অঙ্গনৱাদি ৱাকর অমদি হেল্পরশিংনা কোবিদ নাইন্তিন লায়চৎ লৈরিঙৈদা পাঙথোকখিবা থবকশিং অমদি সরকারনা পীবা থৌদা মায় পাকা পাঙথোকপগীদমক কেন্দ্রগী হন্দক্কী বজেটতা আশা অমদি অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংগী ওইনা আয়ুসমান ভারতকী মখাদা হেলথ ইন্সুরেন্সকী শেনফম হাপ্পীরকপগীদমক ওল মনিপুর আশা ৱাকর য়ুনিয়ননা সরকারবু তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়রি। লোয়ননা মতম কুইনা তানদুনা লাকপা দাবীশিং পীবিবগীদমক য়ুনিয়ন অসিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** জেন্দর সেন্সিটাইজেসন হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ভারত সরকারগী ইন্টিগ্রেটেদ ৱিমেন এন্দ পৱারমেন্টকী প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা মীসন শক্তি স্কিমগী মনুং চন্না লৈবা হন্দ্রেদ দেস স্পিসিএল এৱারনেস কম ইনরোলমেন্ট দ্রাইবকী মতাংদা থৌবাল জিলাগী এন.জি.ও. ইমপ্লেমেটিং শক্তি সরন হোমস অমদি আই.সি.দি.এস. সেল-থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার অনিনা পুন্না শিনদুনা জিলা অসিগী থৌবাল ৱাংবলদা লৈবা আর.ভি.এস. শক্তি সরন হোমগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবনি।

**কলেজ (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসন, ইম্ফালনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা কম্ম্যুনিতি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেন্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা চৎলিবা সেসন ২০২৩-২৪ গী মখাদা কম্ম্যুনিতি পার্টিসিপেসন এন্দ ইনভোলটমেন্টকী মখাদা নিংথৌখোংগী মঙ্গোলঙানবী কলেজ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

**মৈ (এল)ঃ** ফোর হন্দ্রেদ বাই ৱান থারতি টু বাই থারতি থ্রি কে.ভি. পৱার গ্রীদ সটদাউন্দ তৌগদবা মরমনা থা অসিগী ১১ দা পৱার গ্রীদ অসিনা কোনবা য়ুরেম্বম, কারোং, য়াইঙংপোকপী, হুন্দুং, কোংবা, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল, মোরে, এলাংখাঙপোকপী, চুরাচান্দপুর, থাংলোন অমসুং নিংথৌখোংদা অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না মনিপুর ষ্টেট পৱার কম্পানি লিমিটেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

**লোক** ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। বজেট মীফম অসি মমাং থাগী ২২ দগী হৌখিবনি। অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা হায়-হন্দক্কী মীফম অসিদা মীতিং ১৫ পাঙথোকখি, পুং ১১৫ চংখি।

মহাকা হায়-শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা মমাং থাগী ২৩ দা কেন্দ্রগী বজেট ২০২৪-২৫ পুথোকখি। মদু সভানা পুং ২৭ মিনিট ১৯ চংনা খন্নখি। মীফম অসিদা সরকারগী বিল ১২ পুথোকখি, লোক সভাদা বিল ৪ পাস তৌখি।

লোক সভাদা পাস তৌখিবা বিলশিং অদুদি-ফাইনান্স বিল, এপ্রোপিয়েসন বিল, জম্মু এন্দ কাশ্মির এপ্রোপিয়েসন বিল অমসুং ভারত্তিয়া বাইয়ুয়ান বিধ্যায়ক বিলনি।

রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন-জগদিপ ধনকরনা হায়-হন্দক্কী বজেট মীফম অসিদা রাজ্য সভাদা পুং ২২ চংনা খন্ন-নৈনবা পাঙথোকখি। মীফম পুং ৯০ চুপা পাঙথোকখি।

**মেট** ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক অমদি নোংচুপ থংবা হিমালয়ন রিজনশিংদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা অকনবদগী কা হেন্না কনবা মওংদা নোং চুরবা য়াই।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুং ইন্না-লাক্লিবা চয়োল অসিদা অৱাং নোংপোক লমদম অমসু নোংচুপ থংবা হিমালায়গী লমদমদা অখাক অরাউ অমসুং বজ্র তাবা য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়-ঙসি নোংপোক থংবা রাজস্থান, মণিপুর, মিজোরম, ত্রিপুরা, অসাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী সব-হিমালায়ান লমদমদা নোং কন্না চুগনি।

তামিলনাদু, পুদুচেরি, করাইকাল, কেরলা, মাহে, লক্ষদ্বিপ অমসুং করনাতক্কসু লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা পাক শন্না নোং চুগনি হায়রি।